# হিরোইন অমসুং দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ফারে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (ঐচএনএস): ঙসি নুংথিল পুং ২ তারমদাইদগী পল্লেল পুলিস ষ্টেসনগী গেট মমাঙদা ককচীং কন্মান্দোগী সুবেদার কে এস ঐচ প্রকাস অমসুং পল্লেল পি এসকী এস আই কে ঐচ মোথিলফুন দাংসৱানা লুচিংবা টিম অমনা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং চথরিঙৈদা তেংনৌপল লোমদগী লাকখিবা কার (ফোর্দ ইকো স্পো) এ এস-০১/দি জে - ১৯০৯ খাম্নবা হায়রুবদা মমায় লৈরগা চেনখিবদগী তান্নরুবদা গাড়ী অদু ঐচ কোটলেনফাই খুলগী বোল্লিবোল গ্রাউন্দ মনাক্তা ছো লোল্লগা হুন্দোক্লম্লবা মতুংদা গাড়ী অদুবু থৌরকখিবা য়াওনা মীওইশিং নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক গাড়ী অদু সিভিলিয়ন ৱিটনেস অনীগী মমাঙদা পুলিস পার্টিনা থি হুম্বগী থবক চথবদা সাপোন কেপ ১০দা হাপ্লম্বা হিরোইন পাওদরশিং অমসুং দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট কিলোগ্রাম ৩,৩১৯ য়াওরম্বা থেংনখি হায়রি। ফাগৎলবা হিরোইন পাওদরশিং অদুনা গ্রাম ১২২ রোম ওইগনি হায়রি।



পুলিস পার্টিনা ফাগৎলবা হিরোইন অমসুং দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেটশিং অদু তেংনৌপল পুলিসতা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

# পোজিটিভ ১তা থেংনদ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*

ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অপূনবা সেম্পল ৪৩ টেষ্ট তৌখি। সেম্পলশিং অদুদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগী ১, ইম্ফাল ইষ্ট ৪, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২, জিরিবাম ৩৫ অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগী সেম্পল ১নি হায়রি।

অদুম ওইনমক তোঙান তোঙানবা টেষ্টিং সেন্টরশিংদা অপূনবা সেম্পল ৪৩ অসিগী টেষ্ট পাঙথোকখ্রবসু মীওই অমত্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিদে। মসিনা মরম ওইরদুনা লায়না অসিনা মীওই অমত্তগী পুন্সি মাঙহনবসু লৈখিদে।

অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবদা মণিপুরনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী থেঙ্নাং নাইবা ৱেভশিং মায়োক্নরকখিবদগী পূন্না টেষ্ট তৌখিবা সেম্পল মশীং ১৬,৬৩,৭৬২ শুখ্রে অদুগা হায়রিবা অপূনবা টেষ্ট তৌখিবা সেম্পল মশীং অসিগী মনুংদগী পোজিটিভ ওইখিবশিংগী মশীংনা ১,৩৯,৯২০ ওইখিবগা লোয়ননা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মণিপুরগী ওইনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ২,১৪৯ শুখ্রবনি।

দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ঙসি ফাওবদা টেষ্ট তৌখ্রবা সেম্পলশিংগী অপূনবা মশীংনা বিষ্ণুপুর - ৮৬,৩৪৮, চান্দেল - ৩৭,৮৬৮, চুড়াচান্দপুর - ১,৩৮,৯৩৬, ইম্ফাল ইষ্ট - ২,৮৮,৬৭৪, ইম্ফাল ৱেষ্ট - ৫,১৭,৪৬০, জিরিবাম - ৫১,০৫৫, ককচীং - ৬৭,৭৬০, কামজোং - ১৫,৬৮৪, কাংপোকপী - ৪৬,৫৯৫, নোনে - ১৯,৪৪১, ফেরজোল - ৮,৩৪৩, সেনাপতি - ৮৪,১৬৬, তমেংলোং - ৫৬,৫৮৭, তেংনৌপল - ১৮,৩১৮, থৌবাল - ১,৩৬,১৭২ অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকীনা সেম্পল ৯০,৩৫৫নি।

অদুগা দিষ্ট্রিক্টশিংসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা থেংনখিবা পোজিটিভ কেসশিংগী মশীংনা বিষ্ণুপুর ৯,৯৮৭, চান্দেল ২,৭৯৭, চুড়াচান্দপুর ১১,২৯৪, ইম্ফাল ইষ্ট ৩৯,০৬৬, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৪৯,৮৫০, জিরিবাম ১,১১৮, ককচীং ৬,৯৮২, কামজোং ১,০৫৮, কাংপোকপী ৩,১৮৮, নোনে ১,১৭৩, ফেরজোল ৪৭৭, সেনাপতি ২,৫৪৮, তমেংলোং ৩,৪৯৭, তেংনৌপল ১,২১৪, থৌবাল ১০,২৯৯ অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকীনা পোজিটিভ ওইখিবা অপূনবা মীশিং ৩,৩৭২নি।

অদুগা মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইনা ঙসি ফাওবদা মীওই ২,১৪৯ লৈখিদ্রবসু ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি ঙসি ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই অমত্তগী পুন্সি মাঙখিদ্রি। অদুবু অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লৈখিদবশিংনা বিষ্ণুপুর ২০৬, চান্দেল ৪৩, চুড়াচান্দপুর ১৬৯, ইম্ফাল ইষ্ট ৫১৭, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৭১২, জিরিবাম ৭, ককচীং ১২৪, কামজোং ৫, কাংপোকপী ৭০, নোনে ৫, সেনাপতি ১৩, তমেংলোং ১৭, তেংনৌপল ১৭, থৌবাল ১৯২ অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৫২নি।

অদুম ওইনমক গাড়ী অদু ... (continued above)

# থৌনা ফবী মণিপুরগী নুপীশিংদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*ভাইস প্রসিদেন্ট থোঙ্গ্রাতাবম গৌরকিশ্বর অমদি নিংঙোম্থম বির সিংহানা অথোইবা মীথুংশিং ওইখি।

থৌরমগী মনুং চন্না নুপীলালগী মীতম খিন্নবা শেম শারিবা অমদি নুপীলাল নীংশিং থৌরম পাঙথোকপদা মতেং ওইনবা অমুকোগী মায়কৈদগী লুপা লাখ ৩গী শেনফম মণিপুরী লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম, ত্রিপুরাদা খূৎশিন্নখি।

থৌরম অসিদা সাউদর্ন মণিপুর আর্ট এন্দ কলচর প্রমোসন সেন্টর, ককচীং খুনয়ায় লৈকায়গী শক্লাইরবা আর্টিষ্টশিংনা থাঙ-তাগী সেল্যুট উৎতুনা নুপীলালদা শরুক য়াখিবী অথৌবীশিংনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। থৌরম অসিগা লোয়ননা হৌদোকখিবা ঙসিগী থৌরমদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট পি ঐচনন্দো লুৱাংনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর অমদি মপান লমদা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংনা মণিপুরগী নুপীশিংনা অদুঙৈ কুমজা ১৯০৪দগী জুলাই ৬ অমদি ১৯৩৯গী দিসেম্বর ১২গী নুপীলালগী থৌদোকশিংদা উৎখিবা মথৌনা মরিংজেল অদুগীদমক য়াম্না চাওথোক্লা হিংলি। অদুবু অদুগুম্বা থৌনা ফবী ইমা ইবেলশিংগী মীতম খিনবগী চাংদি মণিপুর অমদি মণিপুরীশিংনা খুন্দারিবা মপান লমদা লৈত্রি। ত্রিপুরাদা থমগদৌরিবা মীতম অসিনা অহানবনি হায়খি।

মণিপুরী নুপীশিংগী মথৌনা মরিংজেল অদু মালেম পূম্বদা শন্নে দাক্নবা হোৎনবদা মফম কয়াদা নুপীলালগী মীতম খিনবা হায়বসি অদুক্কী মতিক য়াম্নমক মথৌ তাই। ত্রিপুরা অসি মতম অমদা তখেল হায়না খঙনরম্বা মফম অসিগী নিংথৌদা মীতৈ নুপী ১৪না ময়ূম পানখিবনা মফম অসি মণিপুরগা হীরম কয়াদা মরী লৈনরকপা মফমনি। মরম অসিনা অমুকোনা মণিপুরী লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম, ত্রিপুরাগা খূৎশম্নরগা নুপীলালগী মীতম অসি খিন্নবা থবক পায়খৎলকপনি হায়খি।

নুপীলালগী মীতম অসি চুম্নতগী থৌদোক অমা নীংশিংনবা খিনগদবা নত্তে। হৌখ্রবা থৌদোক্তুগী ৱারী নীংশিংহন্দুনা মমল য়াম্লবা থৌনাগী ইনোৎ অমা মতম চূপ্পদা মণিপুরী মীয়ামদা পীগদৌরিবনি হায়খি।

অমরোমদা, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ শঙলেন, হোজাইদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা হৌজিক থোক্লিবা থৌদোকশিং অসি থেংননবা নুপীশিংনা শেম শাদুনা লৈবা মথৌ তাই হায়না য়ু এম এ এ হেন্দলুম কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ইন্দিরানা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অসি মণিপুরী ৱিমেন এসোসিএসন, অসাম (হোজাই) অমদি য়ু এম এ এ হেন্দলুম কম্মিটি হোজাই দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ভবন (হোজাই) দা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অসিদা মণিপুরগী পি দি এগী চেয়রমেন লৌরেম্বম রামেশ্বর, এম এল এ, পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট লোংজম মেমচৌবী, ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভোলন্টরি এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট য়ূমখাইবম কুঞ্জরানি চনু, অমুকোগী ভাইস প্রসিদেন্ট কোইজম হেলেন, মণিপুরী শোর্ট ষ্টোরি সোসাইটি, ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট লাইশোম গুলাপ, মণিপুরী ষ্টুদেন্ট ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট মাইবম জ লেস, য়ু এম এ এ হোজাই কম্মিটিগী দেবসিস দত্ত অমদি সোসল এক্টিভিষ্ট হোজাই জিবোননা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইখি।

থৌরমগা মরী লৈননা ফিরাল চিংখৎলদুনা নুপীলালদা শরুক য়াখিবী অথোইবী ইমাশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্লবা মতুং মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ভবন হোজাইগী নৌনা শাগদৌরিবা শঙলেন অমদি লাইব্রেরিগী ওফিস শানবগীদমক এম এল এ রামেশ্বর অমদি পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী প্রসদেন্ট লোংজম মেমচৌবীনা মায়খুম হাংদোকখি। য়ু এম এ এ হেন্দলুম কম্মিটি, হোজাইগী প্রসিদেন্ট চোংথাম ইন্দিরানা থৌরমগা মরী লৈননা লমদম অসিদা নুপীলাল অনী থোকখি। অহানবা নুপীলাল অদু কুমজা ১৯০৪দা বৃটিশকী লোইলম লৈঙাক্লা মণিপুরী নুপাশিংবু উ হোন্নগীদমক লানফা ওইনা শীজিন্নরকপদগী থোকখবনি অমদি অনীশুবা নুপীলাল অদুনা মণিপুরগী চেঙশিং মীরমদা থাদোকপগী মায়োক্তা থোকখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লবগুম বি জে পি মহিলা মোর্চা মণিপুর প্রদেশনা শীন্দুনা ঙসি নিতাইপাৎ চুথেক ময়াদা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা ৮৩ রক শুবা নুপী লাল ওবজার্ভেসন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী এম এল এ সগোলশেম কেবীনা অথোইবা মীথুংলেন, বি জে পি মহিলা মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এল লোতিকা লৈমনা থৌরম মপু অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী হান্নগী অধক্ষ আর কে তরুনি অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হান্নগী অধক্ষ হসিনা বেগমনা অখন্নবা লেংবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা নাওরিয়া পাখংলাকপগী এম এল এ সগোলশেম কেবীনা হায়, হৌজিক লমদম অসিগী নুপীশিংনা মায় পাক্লা চাওথোক্লা হিংবা ঙম্লিবা অসি থৌনা ফরবী ইমাশিংনা কথোকপগা লোয়ননা পাঙথোক্লমখিবা থবক থৌরম কয়া অদুননি। মীওইবনা হিংনবা হোৎনবদা পুক্কী লাল হান্না থেংনবা মথৌ তায়। মতম অমদা লমদম অসিদা ফৌ-চেঙ মরাং কায়না পুথোক্লবসু লমদম অসিগী মীওইশিংনা চাবা ফংদবগী ফীভম অমা লাকখি। মতম অদুদা হৌনরুবা তৌদনা লমদম অসিগী নুপী ওইবী কয়ানা চাক তাঙবগী মায়োক্তা থৌনা ফনা খোঙজং চঙশিনখি। মতমদুদা ইমাশিংনা থৌনা ফনা হোৎনরমখিবা কয়া অদুনা মরম ওইরগা ঙসি ঐখোয়না নুংঙাইনা হিংবা ঙম্লিবনি।

নুপীশিংবু ইকায় খুম্নবা উৎপা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। মতম অদুদা ইমাশিং অদুনা থৱায় থাদোকপা পামুদনা হোৎনখিবা কয়া অদু মরন্নাই কান্নবা নত্তে। হৌরক্লিবা মচা মশুশিংগী খল্লগা ইমাশিংনা নোংমৈ পায়বা মীওইশিংগী মায়োক্তা অকিবা লৈতনা খোঙজং অদু চঙশিনখিবনি। মখোয়গী থৌনা ফবা মতৌ অদুনা ঙসি ফাওবদা মৈতৈ নুপীগী লিংজেন মীয়াম্না শক্লা শোন্নরি। মরম অদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা নুপীশিংনা ইমাশিংগী মতুংইন্দুনা অফবা মণিপুর অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নরসি হায়খি।

ঙসিগী থৌরমদুগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবী ইমাশিংগী মফমদা হে লৈ কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

অমরোমদা, ঙসিগী থৌরম অসি কছার চীংদোং লৈকায়দসু পাঙথোকখি। থৌরম অসি ওল অসাম মণিপুরী ৱিমেন মৈরা পায়বী কোওর্দিনেসন কম্মিটিগী লমজিং মখাদা চীংদোং লৈকায়, কছারনা য়ূম্ব ওইদুনা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অসিদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা, মণিপুরী মৈরা পায়বী কোওর্দিনেসন কম্মিটি/ সেন্ট্রেল কম্মিটি অসামগী প্রসিদেন্ট কোঞ্জেংবম ওংবী অরুনা, অসামগী লখিপুর কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ কাওসিক রাই, জিরিবামগী সোসল ৱার্কর নামৈরাকপম বুধচন্দ্র, আময়াগী চীফ এদভাইজর ক্ষেত্রিময়ূম কুন্দলনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, ময়ায় তাংবল অমদি ইকায়খুম্নরবা মীথুংলেনশিং ওইখি।

থৌরম অসিদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দানা ফোঙদোকখিবদা, অদুঙৈ মণিপুরদা চাক তাঙবা থোকখিবা থৌদোক অদুদা থোকখিবা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং অদু নীংশিংবদা নত্তনা ঙসিগী নুপী ওইবীগী খুন্নাইদা অহোংবা লাক্লিবা অসি কায়দনা অহল লমনশিংনা তাকপী তম্বীরম্বা অমসুং থম্বীরম্বা কাঙলোনশিং থম্নবা হোৎনবদা তঙাইফদনা মমা ওইবী নুপীশিংগী চাওরবা থৌদাং লৈ। হৌজিক্কী নুপীমচাশিংনা নুমিদাংৱাইরমদা অমদি অয়ুক্তা লাই থাউমৈ কৎপদা তঙাইফদনা ফনেক শেৎলগা পাঙথোকপীগদবনি। অতৈ মতমদা স্কর্ট শেৎলবসু লাইগী থৌরম পাঙথোকপা মতমদদি অঙাং নুপীমচাশিংবু ফনেক শেৎপীগদবনি। লোয়ননা কাঙলোনশিং অসি ঙাক্লা চৎনবা হোৎনবদা মপা মমাশিংগী চাওরবা থৌদাং লৈ। কৈথেলদা ঙহাক্তংনি হায়না চৎলুবদসু তঙাইফদনা স্কর্ট শেৎলবসু খূকউ মখা চোনবা স্কর্ট শেৎকদবনি। লাইরিক হৈরে হায়দুনা লাইশু খঙদ্রবদি নুপী অদু চন্নফম লৈতে। মরম অসিনা কাঙলোন, লোনচৎ অমসুং ইথক থোংবা অহল লমনশিংদা উৎকদবা থৌগল্লোনশিং ঙাক্লা চৎকদবনি। ঙসিগী খুন্নাইসিদা ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং থিংবসি মৈরা পায়বীখক্তগী মথৌ নত্তে। ঐখোয় পূন্না ৱাখল তামিন্নবা চঙই। লোয়ননা নুপীশিংদা হেন্না মপাঙ্গল হাপ্পবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপনচিংবা খুদোংচাবা কয়া পীরি হায়খি।

লোয়ননা ঙসিগী নুপীলালগী নীংশিং থৌরম অসি জিরিবামগী বোরোবেক্রা লমতাই খুনৌদসু পাঙথোকখি। থৌরমগী মনুং চন্না নুপীশিংগী লমজেল পাঙথোক্তুনা মসিদা মকোক মথং তারবশিংদা জিরি অপূনবা খন্নাই চাওখৎ লূপ (জে এ কে এল) গী মায়কৈদগী মনা মথুম য়েন্থোকখি।

থৌরম অসিমক অসাম মণিপুরী মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ অমসুং ওল মণিপুরী মুসলিম মৈরা পায়বী সংস্থান্নসু পূন্না শীন্দুনা জিরিবামগী পোইলাপুল কম্যুনিতি হোলদা অয়ুক পুং ৯ তারকপদগী পাঙথোকখি। থৌরম অসিদা অম্মপালগী প্রসিদেন্ট থাংজম সনাথোই য়াওনা বেনি মিশ্রা অমসুং সঙ্গিতা বেগমনা প্রেসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

থৌরমগা মরী লৈননা অম্মপাগী সেন্ট্রেল এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী ফম পুগদবা মীওইশিং খনখি। নৌনা খল্লবশিংদি বেনি মিশ্রা (প্রসিদেন্ট), ঙাঙোম সুখেসিনি (ভাইস প্রসিদেন্ট), করিমগঞ্জদগী চীংঙাখম রিতা (ভাইস প্রসিদেন্ট) হিদংময়ূম মেমসনা (জেনরেল সেক্রেটরি), এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরিশিং ওইনা ওইনাম বিজোয়া অমসুং নাওরেম অনিতা, নহাকপম শাবিত্রি (ফাইনান্স সেক্রেটরি), ৱাহেংবম বিনা (ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি), বিদ্যামোনি (ওফিস সেক্রেটরি), মৈতানকৈশংবম শ্যামোলা (কলচরেল সেক্রেটরি) অমসুং এগজিক্যুটিভ মেম্বর ১১ খনখি।

থৌরমগী অনীশুবা শরুক নুংথিল পুং ১দগী থাংজম সনাথোই, সঙ্গিতা বেগম, বেনি মিশ্রা, আর কে গোপালস্না, খোমদ্রাম রতন, ৱারেপম সেকেন্দ, সোরাইসম ওংবী শান্তি, তোংব্রম ইবেমচা, ঙাঙোম দেবা, কাব্রবম বিক্রমজিৎ সিংহা, তম্পাকয়ূম নাসিক আলিনচিংবনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি।

অথোইবা মীথুংলেনশিংনা মৈরা চুখৎতুনা থৌরম হৌদোক্লবা মতুংদা এন জি সুকেসিনিনা তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীরগা নুংগী ওইবা ৱারোলনা সেরাম হেরাজিৎনা পীখি।

অমরোমদা, থৌরম অসি জিরিবামগী মল্টি য়ুটিলিটি ওদিটোরিয়ম (জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কমপ্লেক্স) তসু পাঙথোকখি। অপূনবা জিরিবাম মৈরা পায়বী ওফিসতা লৈবা নুপীলালগী মীতমদা মীয়াম্না হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা হৌদোকখিবা থৌরমদা জিরিবামগী জেদ ঈ ও থৌদাম অমুরাসি চনুনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি।

ঙসিগী থৌরমদা দল্লিয়ু দল্লিয়ু ও কে জিরিবামগী প্রসিদেন্ট ঐচ থোইবী, এ জে এম পিগী প্রসিদেন্ট এস সুসিলা, জিম্পালগী প্রসিদেন্ট এ অশংবী, দল্লিয়ু এ এস ঈ দি জিরিবামগী প্রসিদেন্ট এন বিভারানি অমসুং জিমৱোককী প্রসিদেন্ট টি ঐচ জিনি য়াওনা অমোভাগী প্রসিদেন্ট থোকচোম প্রিয়াদর্সিনিনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা য়ু পি এফকী প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম রূপচন্দ্র, ইপসাগী এদভাইজর লুৱাংচা চীংখৈসুৱা ঙাঙখি।

থৌরমগা মরী লৈননা অথোইবা মীথুংলেননা ফোঙদোকখিবদা নুপীলালগী পুৱারীবু নৈনরিবা অসি করিগীমক্তনো হায়বা মতমদা পুৱারীদগী লৌবা য়াবা পারা অমসুং তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা হায়দুনা অনী থোক্লা লৌনরি। ঙসিগী থৌরম অসি শিল্লিবা অসিসু থৌনা ফবী ইমাশিংবু শীংথারগা মদুদগী ঐখোয়না করম্বা পারা তম্বা য়াবগে হায়বদু খঙদোক্লবা থৌরমনি হায়খি।

নুপীলালনি হায়রগা মীতৈ নুপীগী থৌনা খক্তা ওইনা খনবীগনু। চাওরবা নুপীলালদা মৈতৈ পাঙল ইমাশিংগীসু চাওরবা থৌনা লৈখি। হৌজিক্কী মতম অসিদদি মণিপুরদা নুপীগী থৌনাশিং অসি অদুক্কী মতিক চাউনা লৈখ্রে। ঐখোয়না থৌনা ফরবী ইমাশিংনা থৱায়না পোন্থা পীদুনা ঐখোয়গীদমক হোৎনরম্বশিং অসি মতম চূপ্পদা কাউরোইদবনি হায়খি।

ꯑꯏꯪ-ꯑꯁꯥꯒꯤ ꯄꯥꯎ / অ ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ৩০.০৯°C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৭.০০°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৫০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৭

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 87.242410 |
| US Dollar | 82.601754 |
| British Pound | 101.465800 |
| Australian Dollar | 55.872608 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.842600 |
| Japanese Yen | 0.603151 |
| Malaysian Ringgit | 18.701172 |
| Singapore Dollar | 61.085812 |
| South Korean Won | 0.063316 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.027134 |
| Thai Baht | 2.377244 |

## GAS NEWS

**KHORIPHABA NAMBOL BK.UPTO DATED**
Timing 6.30 am to10 am
Contact No: 8787632782/ 9366471778
**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837
**TANGLEI GAS OINAM**
V/f- 27-11-22
**B/upto - 02-12-22**
**Stock-612**
7am to 10am
First Come first serve
**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-10-12-2022,**
VALID FROM 06-12-2022,
**STOCK : 306**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACT NOS: 9862634903, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.
**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK**
**BOOKING UPTO 08-12-2022**
VALID FROM 05-12-2022
**STK 306**
TIME 7:00 -10:00
HOME DELIVERY DATE 13-12-2022
CONTACT NO -7005695308, 6009772483

## ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্নবা, য়ুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur
HL-B/7898/16/11-15/12

## ꯃꯥꯡꯈꯤ / REGISTRATION CERTIFICATE LOST

I have lost my Registration Certificate bearing Registration No. 26001 of 2021 issued by COHSEM on the way between Kongba Bazar and Singjamei on 01/12/2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Athokpam Alice Chanu**
Kongba Uchekon
# 6009248162
HL-P/5257/13

## ꯃꯥꯡꯈꯤ / ORIGINAL ADMIT CARD LOST

I have lost my Original Admit Card of Class XI (Sc.) Examination bearing Roll no. 35072 of 2022 issued by COHSEM on the way between Sagolmang and Uyumpok on 01/12/2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

HL-P/5256/13 Sd/- **Naorem Mahesh Singh**

**ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা মতমদা হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ হাম্বা, হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ হাম্বা অদু মপান্দা লোইনা তারকউ য়াদবা, অমাংথোঙ মনুংদসু পল্লগা লৈবা, করিগুম্বদা খোঙ হাম্বসু য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, শা-ঙা চারগনা হেন্না হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা মতমদা হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ হাম্বা, হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ হাম্বা অদু মপান্দা লোইনা তারকউ য়াদবা, অমাংথোঙ মনুংদসু পল্লগা লৈবা, খূৎনা কোৎলগা লৌথোকপা অমদি শেংদোকপা, অমাংথোঙ মনুংদা লৈবা অমাংবশিং অদু শেংদোকহৌদবা তারগদি চিক্লি শারি তৌরগা য়াম্না নুংঙাইতবা, করিগুম্বদা খোঙ হাম্বা য়াদবা মতমদা খ্বাঙ নাবা অমদি পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা চাবা-থকপসু য়াদবা, হকচাংগী মফম খূদিংদা চিকপা-নাবা, অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা সাপোন্না শেংনবনি হায়না চামলুবদগী অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাউনা পোমথোরকপা, অমাংথোঙগী মপান অকোয়বদু চাউনা পোমথোরকপনা ফম্বা য়াদবা, পোমথোরকপা অদুনা চিকপা নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবী :* **S. Ratan Singh**
Khurai
HL-B/7932/13

**CAS** Centre for Advanced Studies
No.1 in Manipur
CAS Main Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
ADMISSION OPEN
LAST BATCH REVISION COURSES
CLASS XII (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS XI (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS X (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
Seats are Limited First Come First Served
Special features:
- Special Concession for all Students.
- Experienced and Expert Faculties.
- Exam. Oriented Chapterwise Study Materials.
- Weekly and Monthly Test Series.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Vision for toppers in 2023

Classes Commencing from 15th Dec, 2022
Morning Batch (4.30– 7.30) A.M.
Evening Batch (4.00– 7.00) P.M.
Hostel for BOYS & GIRLS Available
For Details contact:- CAS Office, Centre for Advanced Studies Keishampat Junction, Imphal. Mayai lambi Road Machin.
HL-B/7880/7,8

KINGDOM EDUCATIONAL INSTITUTE™
N·S·D·C National Skill Development Corporation
Transforming the skill landscape
Recognised by Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India
An ISO 9001:2015 Certified Institute
50% MEGA DISCOUNT FOR CHRISTMAS
AVIATION COURSES
- Cabin Crew
- Ground Staff

IT & SKILL COURSES
- Computer (NIELIT)
- Spoken Hindi
- Spoken English (IELTS)
- Stenography (Short Hand)

CONGRATULATIONS!
OUR RECENT ACHIEVERS
Cabin Crew



A. SUZENNA (1st Bacth)
I. SUPERANI (1st Bacth)
Ground Staff
S. RUSHIKA (1st Bacth)
NONGDRENKHOMBA S (2nd Bacth)

ADDRESS : Kingdom Office, IIIT Building (1st Floor) Old Lambulane, Opp. GP Women's College
HL-B/7877/19,21,23,25,27,29(alt1m)

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
ADMISSION OPEN Class 10 (REVISION) Starts on 22ND Dec., 22
FOUNDATION COURSE STARTS ON JAN. 2023
TOPPERS of 2022



8TH POSITION SABIRAH BEGUM NIRMALABAS
9TH POSITION S. SWATI LITTLE FLOWER
10TH POSITION M. KHELINA LITTLE FLOWER
13TH POSITION B. BRINDA NIRMALABAS
14TH POSITION P. JENIBHA NIRMALABAS
16TH POSITION KH. SANAMATUM RIGHT STEP, SEKMAI
16TH POSITION SHINY S. NIRMALABAS
17TH POSITION GAGAN N. ST. JOSEPH
BIDYA TH. LITTLE FLOWER 17TH POSITION
Y. KHENIKA CHRIST JYOTI 17TH POSITION
KHENIJA CHRIST JYOTI 17TH POSITION
MALEMNGANBI S. NIRMALABAS 17TH POSITION
JOSPHIN S. NIRMALABAS 18TH POSITION
MADHURISANA W. COMPREHENSIVE, OINAM 22ND POSITION
LINTHOI S. NIRMALABAS 25TH POSITION
1ST POSITION 2020 RESHMI N. Pitambara
1ST POSITION 2019 BHUMIKA SH. Pitambara
1ST POSITION 2018 YAIPHABI M. (LFS)
1ST POSITION 2017 PRIYANKA M. (NBS)
1ST POSITION 2016 SOHANA L. (NBS)
1ST POSITION 2013 MIRANDA M. (NBS)
SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS WITH WI-FI FREE CAMPUS

SUBJECT TOPPERS 2022
MATHEMATICS : 100
1. BIDYA TH. (LFS)
2. BRAJALIEN (TINY TOTS)
3. GAGAN N. (SJS)
4. KH. TOP JOHN (HERITAGE)
5. SANAMATUM (RIGHT STEP)
6. MALEMNGANBI S. (NBS)
7. M. KHELINA (LFS)
8. SABIRAH BEGUM (NBS)
9. S. SWATI (LFS)
10. SHINY S. (NBS)
11. SUBHALAKSHMI (TINY TOTS)
HR. MATHS : 100
1. B. BRINDA (NBS)
2. BRAJALIEN (TINY TOTS)

HSLCE 2023 MEGA MOCK TEST
DATE : 2/2/23 4/2/23 7/2/23 10/2/23 13/2/23 15/2/23
SUB : ENG. MIL MATHS SC. S.SC ADL. SUB
CONTACT 7628946313 9612441824 8732022342
HL-B/7907/9